**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 02-02-2026)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**
**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**
**(তাং ০২-০২-২০২৬, নিংথৌকাবা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) 'ৱেটলেন্দ নুমিৎ' মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মণিপুরদসু ঙসি পাঙথোক্লি।

২) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-হন্দক্কী বদজেট অসিনা লৈবাক অসিবু আটমানিরভর ওইহনবদা অচৌবা লম্বী ওইরগনি।

**অমসুং**

৩) রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমু উরিষা অমসুং ছতিসগরগী নুমিৎ ৬ নিগী খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি।

----

**ৱেটলেন্দ (এল)ঃ** মালেমগী অতৈ লৈবাক্কী মফমশিংদা পাঙথোকবগুম ৱেটলেন্দ নুমিৎ ঙসি মণিপুরদসু পাঙথোক্লি। ৱেট লেন্দস এন্দ ত্রেদিসনেল নোলেজ-সেলেব্রেতিং কলচরেল হেরিতেজ হায়বসিনা কুমশি চহিগী ৱার্ল্ড ৱেটলেন্দ ডেগী হিরম ওইরি। মপুং ওইবা থৌরম রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ

ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জনা মণিপুর ষ্টেট ৱেট লেন্দস ওথোরিতিগা খুৎশমদুনা ইম্ফাল ইষ্টকী য়ারল পাৎতা পাঙথোক্কনি।

থৌরম অসিদা ফোরেষ্ট, ইনভাইরোনমেন্ট অমসুং ক্লাইমেত চেঞ্জগী প্রিন্সিপাল সেক্রেতরি অরুন কুমার সিনহা, কম্মিসনার ডাঃ সাইলেস কুমার চৌরাসিয়ানচিংবা শরুক য়াগনি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর এমেচর ফোটো ক্লবকী ফোটো একজিবিসন অমা হাংদোক্কনি। মসিগী মথক্তা ৱার্ল্ড ৱেটলেন্দ ডেগা মরী লৈননা পাঙথোকপা রাজ্য থাক্কী সিম্পোজিয়মদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা য়েন্থোক্কনি। থৌরমদুদা য়ারল পাৎতা ৱেটলেন্দ ভারচুয়েল ম্যুজিয়ম অমসুং টোপ দুসরা ভিলেজবু ক্লাইমেত রিজিলিয়েন্ট ভিলেজনি হায়না লাউথোক্কনি।

**সেক্যুরিতি (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা আইন কাইবা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবগীদমক চীং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী মাইকৈদগী থিবা হুন্বা অমসুং এরিয়া দোমিনেসনগী থবক মখা তানা চত্থরি।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী পাউনা হায়-ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শগোলমাং পুলিস স্তেসননা কোনবা হেপি ভেল্লি এরিয়াদা থি হুন্বগী থবক চত্থবদা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পি তাইবংঙানবগী এক্তিভ কেদর অনি ফারে।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিসনা মমাঙ থাগী ২৬ তগী ঙরাং ফাওবদা আইন কাইনা গারি থৌবা মীওই ৩২ মোতোর ভেহিকল এক্টকী মখাদা ফাইন থিহন্দুনা শেল ওইনা লূপা লিশিং ৪৯ খোমগৎখি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-হন্দক্কী বদজেট অসিনা লৈবাক অসিবু আটমানিরভর ওইহনবদা অচৌবা লম্বী ওইরগনি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়-বদজেট অসিনা লৈবাক অসিবু চাউখৎপা লৈবাক অমা ওইহনবদা অচৌবা

মতেং ওইরগনি। লৈবাক অসিগী মীয়ামগী তুংগী পুন্সিদা নুঙাই য়াইফবগী লন্থী ওইরগদবা বদজেট অমনি হায়না প্রধান মন্ত্রিনা ফোঙদোক্লি। কেন্দ্রগী বদজেট ২০২৬-২৭ অসিনা লৈবাক অসিগী হৈ শিংলবা নহাশিংবু হেন্না থৌনা হাপ্তুনা মখোয় মখোয়গী পন্থুংফম য়ৌনা পুবা ঙম্লগনি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিগী নাগরিক কোতি ১৪০ অসিনা শেল থুমগী লমদা খুমাং চাউশিনবা লমদম অমা ওইবা খক্তনা পেন্থোকপা ঙমদে, মীয়ামা ভারত অসি মালেমগী শেল থুমগা লমদা অহুমশুবা মফমদা অথুবা মতমদা লৈহনবা পাম্মি।

**বজেৎ ঃ** শেনবা চহি ২০২৬-২৭ কী কেন্দ্রগী বজেৎ শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না ঙরাং লোক সভাদা পুথোকখ্রে।

শ্রীমতি সিতারমন্না হায়- বজেৎ অসি মপুং ওইনা নহারোলদা শক্তি পীবা, শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবা, মীয়ামগী পুন্সি মহিংদা হেন্না খুদোংচাবা ফংহনবা কয়া য়াওরি।

মন্ত্রিনা হায়-বদজেট অসিনা বাইও ফার্মাগী শক্তি হেনগৎহল্লগনি। মসিগীদমক লাক্লিবা চহী ৫ অসিদা মালেমগী ওইবা বাইও ফার্মাগী পোত্থোকশিং হেন্না পুথোকপা ঙমহন্নবা লুপা কোতি ১০ গী শেনফম থাদরগনি।

ভিক্সিত ভারত ওইহন্নবগীদমক বেঙ্কিং সেক্তর অমুক হন্না য়েংশিন্নবা হাই লেবেল কমিতি ওন বেঙ্কিং লিংখৎনবা সরকারনা ৱারেপ লৌরে। কেন্সরনা নারবা মীওইশিংগী হিদাক মখল ১৭ তা কষ্টমস দ্যুতি লৌররোই। ভারতপু মেদিকেল তুরিজমগী ময়োল ওইহন্নবা সরকারনা রিজনেল মেদিকেল হব ৫ দা মতেং পীরগনি। অনৌবা ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ আয়ুরবেদ অহুম লিংখৎলগনি।

শ্রীমতি শিতরামননা হায়-সরকার অসিনা লৌমীগী শেন্মীৎলোন হেনগৎহন্নবা, দিবিয়াংজনশিংদা হেন্না খুদোংচাবা ফংহনবা, মেন্তেল হেলথকী লমদা হেন্না মীৎয়েং থম্বা অমসুং অৱাং নোংপোক লমদমশিংদা চাউখৎ থৌরাংগী

থবক কয়া পায়খত্তুনা মীয়ামদা থবক ফংহন্নবা খুদোংচাবশিং বদজেট অসিনা পীরি।

**মুরমুঃ**রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমু উরিষা অমসুং ছতিসগরগী নুমিৎ ৬ নিগী খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি। রাস্ত্রপতিগী খোঙচৎ অসিদা বলাসোরগী ফকির মোহন য়ুনিভর্সিতিদা পাঙথোকপা কনভোকেসনগী থৌরমদা শরুক য়াগনি। মফম অদুদা নৌনা শাবা ওদিতোরিয়ম অমসু শঙ্গারগনি। য়ুমশকৈশা নুমিত্তা রাস্ত্রপতিনা রাইরংপুরগী মহুলদিহাদা লৈবা সরকারগী নুপীশিংগী ওইবা হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ভঞ্চবির সুনারাম সোরেনগী মীতম অমা মাইখুম হাংদোক্কনি অমসুং মহৈরোইশিংগনু হকথেংননা উনদুনা ৱারি শান্নগনি। রাস্ত্রপতিনা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়াদসু শরুক য়াগনিঅমসুং ত্রাইবেলগী নুপী অমসুং নহাশিংগা উনদুনা ৱারি শান্নগনি। রাস্ত্রপতিনা থা অসিগী ৭ তা ছতিসগরগী জগদলপুরদা বাস্তর পান্দম কুম্মৈ হৌদোক্কনি।

**মিজোরমঃ** নার্কোতিক্স কন্ত্রোল ব্যুরোগী দাইরেক্তর জেনরেল অনুরাগ গর্গনা মিজোরমগী চম্ফাইদা লৈবা ভারত ম্যান্মারগী ঙমখৈ পরিংদা চত্তুনা ড্রগ লল্লোন ইতিক তৌরিবশিং অদু থিংনবা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং য়েংশিনখ্রে। মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা শ্রী গর্গনা পুলিস, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, অসাম রাইফলসনচিংবা উনদুনা ঙমখৈ পরিংদা আইননা য়াদবা নিশাগী পোৎলমশিং লল্লোন ইতিক তৌবগী থবক থৌরমশিং চথুরিবা অদুগী মতাংদা কুপা খন্নখ্রে। মসিগী তুংদা, মিজোরমগী দাইরেক্তর জেনরেল সরট অগরৱালগসু উনখি। কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারগী ইন্তেল্লিজেন্সগী মীওইশিং অমসুং ড্রগ লল্লোন ইতিক তৌরিবশিং ফাগৎনবা লৈরিবা সেক্যুরিতি এজেন্সীশিংগসু উনখ্রে।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

সেন্তরগী লুচিংবশিংনা কৌরকপদগী এম.এল.এশিং দেল্লিদা চৎখিবা অমসুং শেল থুম মন্ত্রিনা যুনিয়ন বদজেট ২০২৬-২৭ পুথোকখিবগী পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মণিপুরদা ফোঙবা পাউচেশিংগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোঙনরি।

সেন্তরগী লুচিংবশিংনা কৌরকপদগী এম.এল.এশিং দেল্লিদা চৎখিবা অমসুং শেল থুম মন্ত্রিনা যুনিয়ন বদজেট ২০২৬-২৭ পুথোকখিবগী পাউ অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা- সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরী অমসুং ইংলিস এদিসন, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থৌদাং, সনালৈবাক, মণিপুর মেল, গানফিউ মেল, তামেংলোং তাইমস অমসুং হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেস পাউচেশিং অসিদা ফোঙলি।

রুলিংগী এম.এল.এশিং দেল্লিদা চৎখিবগী পাউ অসি- নহারোলগী থৌদাংদা দেল্লিনা কৌরকপদগী এন.দি.এগী এম.এল.এশিং পাইশিনখ্রে, পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট শেমহল্লক্কদ্রা, নত্রগা রিজাইন তৌহন্দুনা এশেমল্লি দিজোল্ব তৌনবা কৌরিব্রা খংদ্রি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

পাউ অসিমক হুইয়েন লানপাউদনা- অনৌবা লৈঙাক শেমহনবীরক্লগনি হায়বগী মংলান পুদুনা বি.জে.পি, এন.পি.পি, এন.পি.এফকী লুচিংবা অমদি এম.এল.এ ৩৫গী মথক্তা দেল্লিদা পাইশিনখ্রে, ইন্দিপেনদেন্ট এম.এল.এ ফাওবা য়াওখ্রে হায়না বেনর হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা শিতারামননা য়ুনিয়ন বজেট ২০২৬-২৭ পুথোকখিবগী পাউ অসি- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনদা শেল থুম মন্ত্রিনা য়ুনিয়ন বদজেট ২০২৬-২৭ পুথোকখ্রে, অৱাং নোংপোক্তা থাদবা শেনফম ইহেন হেনগৎত্রি হায়না ফোঙলি।

পাউ অসিমক- পোকফম পাউচেদনা- য়ুনিয়ন বদজেট ২০২৬-২৭ পুথোকখ্রে, মণিপুরগী ওইনা বুদিশতা সার্কিতা স্কিম শরুক থুংলে, নহাশিংদা মীৎয়েং থন্বা বদজেটনি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি অতৈ পাউচেশিংদসু তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙনরি।

মণিপুর পুলিস অমসুং অসাম রাইফলসকী অপুনবা কাংবু অমনা লূপা ক্রোর ১৬ রোমগী শেনফম ওইগদবা দ্রগকা কোন্ননা দ্রগ লল্লোনবা ফারে হায়বা পাউ অমসু- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি। পাউ অসি- নহারোলগী থৌদাংদসু তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

আর্কিতেক্ট নত্তবশিংনা বিল্ডিং কন্সত্রক্সনশিংদা য়াওশিল্লকপা তারগদি খুদোংথিবা মায়োকরকপা য়াই হায়বা পাউ অমসু- পোকফমগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

নেসনেল হাইৱে ২০২ ইম্ফাল উখ্রুল লম্বী পাকথোকপগী থবক লেপখিবা অমসুং কম্পেনসেসন পীথোক্তবগী মায়োক্তা থা অসিগী ৪ দগী ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বী থিংবগী খোঙজং চংশিল্লগনি হায়বা পাউ- পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

মাতৈ মৈতৈ কনগে হায়রবদি এস.টি লিষ্টতা চনবা নত্তনা অতোপ্পা পার্টি লৈতে হায়বা পাউ অমসুং মথংগী মীখল নকশিল্লক্লবনিনা অনৌবা পার্টি এন.পি.পি তেরা লাই চোংথোরক্লে হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

ইমা কোন্দী লৈখিদবগী কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অমসু-সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**